# নেশনল গেমস ২০২৫ : টাইক্বোন্দো অমসুং লোন বোলদা মেদল অমমম্ লৌবা ঙমখ্রে





**38th National Games 2025 Medal Tally**

| Rk | State | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | SSCBoard | 42 | 16 | 13 | 71 |
| 2 | Karnataka | 30 | 12 | 16 | 58 |
| 3 | Maharashtra | 25 | 42 | 46 | 113 |
| 4 | Madhya Pradesh | 19 | 13 | 18 | 50 |
| 5 | Haryana | 18 | 26 | 28 | 72 |
| 6 | Uttarakhand | 14 | 22 | 26 | 62 |
| 7 | Tamil Nadu | 14 | 19 | 21 | 54 |
| **8** | **Manipur** | **12** | **12** | **14** | **38** |
| 9 | Delhi | 11 | 11 | 18 | 40 |
| 10 | Kerala | 11 | 9 | 14 | 34 |

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৮ (ঐচ এন এস):**
উত্তরখন্দনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ৩৮লক শুবা নেশনল গেমসকী ওইনা ঙসি টাইক্বোন্দো অমসুং লোন বোল ইভেন্টতা মেদল অমমম্ লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা মণিপুরগী অপূনবা মেদল মশীং ৩৮ শুখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মণিপুরনা গোল্ড ১২, সিলভর ১২, ব্রোঞ্জ ১৪ লৌবা ঙমখ্রে।

টাইক্বোন্দোগী পুমশি ৱিমেন টিমনা ঙসি সিলভর মেদল অমা লৌবা ঙমখি। অদুগা লোন বোলগী ওইনা ফোর মেন্স টিমনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখিবনি। সিলভর মেদল লৌবা ঙমখ্রবা পুমশি ৱিমেন টিম ইভেন্টতা য়াওরিবশিংদি সোরাইশম লমঙানবী চনু, উমেলী মংশাতাবম অমসুং ইরোম বিজিয়ানি। টাইক্বোন্দো দা ৱিমেন পুমশিদা ঙসি সিলভর মেদল লৌবা ঙমখিবা অসিগা ইরোয়ননা নেশনল গেমসতা মণিপুরগী ওইনা টাইক্বোন্দোগী মখা তানা শান্নগদবা মেটচশিং লৈত্রে। নুপাগী ওইনসু ঙসি ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরে।

লোন বোলগী ওইনা মণিপুরগী টিম অসিনা দেল্লী অমসুং বিহারবু ঙরাং মায়থীবা পীরম্লগা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা ঙসি ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখিবনি। টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোয়শিংদি কে হেমন্দ্রো, এম দি অবতাফ অহমদ খান, এম মঙাললৈবা অমসুং ৱাই তোমথিননি।

এরোবিক জিম্নাষ্টিক্সকী ওইনা ইভেন্ট অহুমদা মণিপুরগী টিম ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে। ঙসি ক্বালিফাইদ ওইখ্রবা ইভেন্টশিং অদুদি মিক্স প্যের (অহানবা পোজিশন), ট্রাইও (৪শুবা পোজিশন) অমসুং গ্রুপ (অনীশুবা পোজিশন)নি। হয়েং ইন্দিভিজ্যুএল ৱিমেন এন্দ ইন্দিভিজ্যুএল মেনগী ক্বালিফিকেশন রাউন্দ লৈগনি। নেশনল গেমসতা মণিপুর জিম্নাষ্টিক্স টিমদা য়াওরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি এস রুবান মৈতৈ, ও উমাজিৎ, এম রোমেশ, ও বন্দনা, অরিহা পাঙম্বম, ঐচ জেশিকা, লৈশিলেম্বী সী ঐচ, অঞ্জোরি পি, মালিয়ানি কে অমসুং আর কে থোইথোইলেম্বীনি।

অমরোমদা, হোক্কীগী ওইনা ঙসি মণিপুরগী নুপী টিমনা য়ূম্বু উত্তরখন্দবু পাঞ্জল ৫-২দা থোইবা ঙমখ্রে। মণিপুরগী পাঞ্জলশিং অদু ব্রহ্মচারিময়ুম সরিতা, সুমন থৌদাম, থৌদাম নিরুপামানা অমমম্ অদুগা লনচেনবী খুন্দ্রাকপমনা অনী চনখিবনি।

# করাম এফ সী থোইদুনা তাম এফ সী সেক্তানা ৱিন্নর ওইখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৮(ঐচ এন এস):**
হাওরৈবী নোরদর্ন ষ্টার ক্লব (ঐচ এন এস সী)না হাওরৈবী অপূনবা এফ সীগা খূৎশম্নরগা চথরকখিবা ৫রকশুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ২০২৫-৯ মেন এসাইদ ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা তাম এফ সী সেক্তানা করাম এফ সী মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।






ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদগী হৌরগা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী তাম এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্বগী খূদোংচাবা লৌরগা মেটচ অদুগী ২৪ শুবা মিনটতা তাম এফ সীগী এন হেনরিনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ৫৫শুবা মিনটতা তাম এফ সীনা চথরকখিবা কাউন্টর এটেক অমা থিংনবা হোৎনবদা করাম এফ সীগী কে ৱাংলেনঙানবনা শোয়বদগী মশাগী মায়কৈদা পাঞ্জল অমা চনশিঞ্জখিবগা লোয়ননা ৫৬শুবা মিনটতা হেনরিনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু তাম এফ সীনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী গোল্ডন বুটকী টাইটলনা তাম এফ সীগী নিংথৌজম্ন হেনরিনা ফংখ্রে। মহাক্না টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না পাঞ্জল ৬ চনবা ঙমখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1388**

**T. Mouryc (1932) - Simon Salgovic (2102)**
**23rd Prague Open 2025 Prague CZE, 2025.01.16**

1.e4 Nc6 2.d4 d5 3.Nc3 dxe4 4.d5 Ne5 5.Bf4 Ng6 6.Bg3 a6 7.Bc4 Nf6 8.h4 h5 9.Qe2 Bf5 10.O-O-O Qc8 11.f3 c6 12.fxe4 Bg4 13.Nf3 b5 14.e5 bxc4 15.exf6 gxf6 16.Qxc4 Bh6+ 17.Kb1 cxd5 18.Qxc8+ Rxc8 19.Rxd5 O-O 20.Ra5 Rc6 21.Nd4 Rc4 22.Nf5 Bd2 23.Be1 Bf4 24.Rf1 e6 25.Ng3 Rb8 26.Nxh5 Bxh5 27.Rxh5 Be5 28.Kc1 Nf4 29.Rxe5 fxe5 30.g3 Nd5 31.Rf3 e4 32.Rf2 Rd8 33.Re2 Rd4 34.Nxe4...

**QUESTION :** Black to win

**Puzzle 1387 Solution :**

**21. …Bh2+** The black bishop decoys White's knight. The black bishop deflects White's knight away from protecting the square g3 and the square d2. **22.Nxh2**
22.Kg2 Rxf2+ 23.Kh3 Bg2#
22.Kh1 Rg3+ 23.Kxh2 Rg2+ 24.Kh1 Rh2+ 25.Kg1 Rh1#
**22. ...Qg3+** The black queen forks White's king and knight. The black king attacks White's bishop, which is defending the square g8. **23.Kh1**
23.fxg3 Rxg3#
23.Kf1 Rxf2+ 24.Bxf2 Rxf2#
**23. ...Rxf2+** With a discovered check by the black bishop. The black king attacks White's bishop, which is defending the square g8. **24.Be4**
24.Qe4 Rxh2#
24.c6 Rxh2#
24.Re4 Rxh2#
24.Nf3 Bxf3#
**24. ...Rxh2#** Lawnmower mate
24...Qxh2#Damiano's rook mate
**0-1**

FR. AGNEL SCHOOL HOSTEL NOIDA, NCR

Did you always want your child to study in a prestigious school in India's National Capital Region, for a secure career in life?

FR. AGNEL SCHOOL, SECTOR 62, NOIDA, NCR

offers AIR CONDITIONED HOSTEL ACCOMODATION
www.fasnoida.org/hostel
for (Boys & Girls) from Class VI TO X under the care of Wardens and excellent Mess Facilities.

The Hostel welcomes serious Students who want to pursue their career under professional Educators, in a Homely environment with technology Integrated Classrooms, Play fields, and facilities for Sports and Cultural growth.
(Science and Commerce students will be admitted only after clearing the entrance test)

Apply by February -25, 2025 for the 2025-26 Session
Ph./Whatsap.9773505022
email: fragnelhostel@gmail.com

HL-B/9325/9

# শঙ্গাই হিরোজনা সাই আর সীবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৮(ঐচ এন এস):**
এ আই এফ এফকী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশননা শীন্দুনা চথরক্লিবা ১৭লক শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা শঙ্গাই হিরোজনা সাই আর সী মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী হৌরগা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোং থোংখোঙদা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। নাকল অনীমক্না হৈ-শিংবা মান্নখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙম্লখিদে। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী ১৩শুবা মিনটতা শঙ্গাই হিরোজনা খঙহৌদনা চথরকখিবা কাউন্টর এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় ইরেংবম দিপক মৈতৈনা হৈন-শিংনা সাই আর সীগী মায়কৈদা মেটচ অদুগী অমদি মখোয়গী টিমগী ওইনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা সাই আর সীগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু হৈ-শিংলবা শঙ্গাই হিরোজগী দিফেন্দরশিংনা থিংদুনা অরেম্বদা তাহনখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী শঙ্গাই হিরোজনা মেটচ অদু পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখিবনি।




Title : Ema Panthoibi
By : Nongmaithem Chingjumleima
Class : II Roll No. : 63 Sec. : A
School : Liklam School




Title : Kakashi
By : Aheibam Christina
Class : V Roll No. : 37 Sec. : A
School : Paree Imom Sindam Sang High School Langjing



Title : Sunshine
By : Tensubam Jotison Singh
Class : IV Roll No. : 13 Sec : A
School : The Youngster Dynamic English School



Title : Cafe
By : Khushi Sagolshem
Class: IV Roll No. : Sec. :
School : N.B.S. Junior





Title : Happy New Year 2025
By : Aheibam Lapana Chanu
Class : 10 Roll No. : Sec. : A
School : Paree Imom Sindam Sang High School



Title : Gun
By : Lemba Khumukcham
Class : I Roll No. : 1 Sec :
School : Rising Sun English School




Title : Miku
By : Malem Ningthoukhongjam
Class : II Roll No. : 21 Sec. : A
School : UNACCO School, Khongman




Title : Scenery
By : Ayekpam Malemnganbi
Class : II Roll No. : Sec. : A
School : Paree Imom Sindam Sang High School



Title : Chingyagi Yum
By : Mangal Tensubam
Class : 1-A Roll No. : 07 Sec. : A
School : The Poiroukhongjin Govt. High School



Title : Dragon
By : Mangal Sinam
Class: Ist Std. Roll No. : 134 Sec. : B
School : Camel Public School, Bangalore



Title : Bird
By : Nganthoiba Shorokhaibam
Class : I Roll No. : 11 Sec. :
School : Pole Star School, Wabagai



Title : Pushpa
By : Tensubam Prakit Singh
Class : IV Roll No. : 2 Sec. : A
School : The Youngster Dynamic Eng. School



Title : Cute Girl
By : Priyarani Heisnam
Class : III Roll No. : 89 Sec :
School : The Little Master Kids School, Samurou




Title : House
By : Ranison Shorokhaibam
Class: KG-I Roll No. : 1 Sec. :
School : Pole Star School, Wabagai



Title : Family at Kangla
By : Ridhima Thoudam
Class : II Roll No. : 10 Sec. :
School : Scholar's Academy



Title : Scenery
By : Sinheibi Chirom
Class : IV Roll No. : 40 Sec. :
School : Universal Students' Academy (USA)



Title : Beauty of Nature
By : Tamphasana Yumnam
Class : IV Roll No. : 9 Sec. : A
School : H. Keinahal Memorial English School



Title : Scenery
By : Thadoi Wairokpam
Class : I Roll No. : 26 Sec. :
School : Maichou Khongnangthaba Maheikol



Title : TV MAN TITAN
By : Viraj Phurailatpam
Class : 3-A Roll No. : 1 Sec. :
School : K.V. Langjing



Title : Scenery
By : Yumnam Yaiphaba
Class : IV Roll No. : 32 Sec. : C
School : UNACCO School, Meitram

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com